# মণিপুরদগী শরুক য়াখিদ্রবা নৈতিনহোয়না অহুমশুবা নেসন্স কপ বোক্সিংদা ইন্দিয়াগী গোল্ড লৌখ্রে

## প্রবিসনা সিলভর, সিলা অমদি জেরিনানা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি

*ইম্ফাল, জনুৱারি ১৪ঃ* সাই এস এ জি খুমন লম্পাক্তা লৈরিবী বোক্সর নৈতিনহোয় চিরু লাইনো দানলানা মণিপুরগী ওইনা শরুক য়াখিদ্রবসু অরুনাচল প্রদেশতগী থোক্কুনা ইন্দিয়াগী রিপ্রজেন্ট তৌবগা লোয়ননা সরভিয়াগী বারবাস্তা থা অসিগী ৮দগী ১২ ফাওবা পাঙথোকখিবা অহুম শুবা নেসন্স কপ বোক্সিং ২০১৪দা জুনিয়রগী কে জি ৪৬ কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী গোল্ড লৌখ্রে। কপ অদুদা শরুক য়াখিবা মণিপুরদ অমদি অরুনাচল প্রদেশতগী শরুক য়াখিবা বোক্সর মরি ঙসি ইম্ফালগী টুলিহল ইয়রপোর্টতা থুংলখ্রে।

অরুনাচল প্রদেশকী মহুৎ শিন্দুনা অতোপ্পা মণিপুরগী শরুক য়াখিবা বোক্সর সাপম সিলা দেবীসু যুঠ কেটাগোরিগী ৪৮ গী কাংলুপ্তা ব্রোঞ্জ লৌখি। মণিপুরগী ওইনা মহুৎ শিনখিবা বোক্সর কোন্থৌজম পরবিসস চনুনা যুঠ কেটাগোরিগী কে জি ৫৪ গীদা সিলভর অমসুং নিংথৌজম জেরিনা দেবীনা ব্রোঞ্জ লৌখি।

গোল্ড মেদল লৌরকখ্রবী নৈতিনহোয় চিরু বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী নুংসাই চিরুদদা লৈবা এল দি জাচিংদিং অমসুং রেংথাইসেনগী মচানুপীনি। মহাক্না হন্দক্কী কপ অসিদা জুনিয়র কেটাগোরিগী কে জি ৪৬ কী কাংলুপ্তা শরুক য়াদুনা বুলগেরিয়াগী তাদোভোরা অমসুং রুসিয়াগী তোরাকচুক এলেনাবু পোইন্ট ৩–০ দা মায়থীবা পীরগা গোল্ড লৌখিবনি।



সিলভর মেদলিষ্ট প্রবিস চনু (ওই), গোল্ড লৌখ্রবী নৈতিনহোয় চিরু (ময়াই) অমদি ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট এস সিলা।

সাই এস এ জি খুমন লম্পাক্তা ইং ২০০৯ গী দিসেম্বর ১ দা চঙলকখিবনি। সাই এস এ জিদা চঙলক্ত্রিঙৈগী মমাংদা লাঙ্গোলদা লৈবা মেরিকোম একাদেমিদা মতম খরা লৈরমখি। হন্দক্কী মেদল অসিনা ইন্টরনেস্নেলগী থাক্তা পাঙথোকপা চেম্পিয়নসিপ্তা অহানবা মেদল লৌবা ওইরি।

বুলগেরিয়াদা পাঙথোকখিবা জুনিয়র ৱার্ল্ড চেম্পিয়নসিপ্তা শরুক য়াখি। নেস্নেল চেম্পিয়নসিপ্তা তোঙান তোঙানবা ৱেট কেটাগোরিশিংদা শরুক য়াদুনা গোল্ড অনী লৌবা ঙমখ্রে। মহাক্কী মঙলানদি ওলেম্পিক্তা শরুক য়াদুনা মেদল অমা লৌবা অসিনি।

মতৌ করম্না বোক্সিং মশান্নদা চঙলকখিবগে হায়বগী মতাংদা ঐখোয়গী পাউমীদা ফোঙদোরকখিবদা পীক্লিংঙৈ মতমদগী হৌনা শান্ন–খোৎনবগী লমদা চঙনিংবগী ইথিল অমা পোক্কুনা লাকখি। লৈকাইগী ওইনা পাঙথোকপা স্পোর্টসশিংদা লমজেলনা চিংবা কয়াদা শরুক য়াদুনা মনা লৌদুনা লাকখি। ক্লবকী মীওইশিংনা মেরি কোম বোক্সিং একাদেমিদা চংনবগীদমক ফোর্মনচিংবশিং লৌবীরক্কুনা মহাকপু ঙসিগী থাক অসি য়ৌহনবিরকখিবনি হায়খি। মশাদি বোক্সিং মশান্নদা শান্নগনি হায়বগী আশাদি তৌরুদে।

যুঠকী কে জি ৫৪ গীদা সিলভর মেদল লৌরকখ্রবী খুরাই অহোঙ্গৈদা লৈবা কোন্থৌজম রোজেন সিংহ অমদি জমুনা দেবীগী ইতোন তোম্বী মচানুপী পরবিস চনুনা ফোঙদোরকখিবদা হন্দক্কী কপ অসিদা বেষ্ট বোক্সরগী টার্গেট তৌরগা চৎখি অদুবু য়াম্না নীংবা কাইনা যুম্বু ওইরিবা সর্ভিয়াগী বোক্সর অমগী মখুৎতা পোইন্ট ৩–০ দা মায়থীহৌদুনা সিলভর মেদল ফংহৌখিবনি। হন্দক্কী অসিনা মহাক্কী ওইনা ইন্টরনেস্নেল চেম্পিয়নসিপকী সিলভর মেদল অনী লৌবা ওইরি। মহাক্কী মঙলান্দি মেরি কোমদগী হেনবা বোক্সর অমা ওইবা অসিনি। হন্দক্কী কপ অসিদা মায়থীহৌখিবা অসিনা হোৎননিংবগী অচৌবা পারা অমা ওইরে হায়খি। ইকুই কুইদনা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱার্ল্ড চেম্পিয়নসিপ অমদি চাইনাদা পাঙথোক্কদৌরিবা যুঠ ওলেম্পিক্তা শরুক য়াবা ঙম্নবা য়াম্না কন্না হোৎনগনি।

হয়েংদগী হৌনা অকনবা ট্রেনিং হৌরগনি হায়খি। মহাকসু সাই এস এ জি খুমন লম্পাক্তা মতম খরা ইং ২০০৯ দা লৈরমখি। হৌজিক্তি ময়ুমদগী হঙ্গৎ হন্দা চৎতুনা এস এ জিদা ওজা ইবোমচাগী মখাদা ট্রেনিং তৌরিবা বোক্সরনি। যুঠ ওলেম্পিক্তা ইন্দিয়াগী ওইনা ৱেট কেটাগোরি অহুম ৫১, ৬০ অমদি ৭৫ দা শরুক য়ান্নবগী খুদোংচাবা ফংলি। মহাক্না কে জি ৫১ গী কাংলুপ্তা শরুক য়াবা ঙম্নবা অকনবা মওংদা ট্রেনিং তৌদুনা ৱেট চিংননবা হোৎনগনি হায়খি। মহাক্না অহানবা রাউন্দদা রুসিয়াগী রোটার কার্টিলিনাবু পোইন্ট ৩–০ দা মায়থীবা পীরমখি। সেমি ফাইনেলদনা যুম্বু ওইরিবা সর্ভিয়াগী পেত্রোভিক গেলিনাবু আর এ সিদা থোইরগা ফাইনেল চঙলকখিবনি। ফাইনেলদা যুম্বু অসিগী অতোপ্পা বোক্সর অমগী মখুৎতা পোইন্ট ৩–০ দা মায়থীহৌরগা মহাক্না মঙলম্বা মঙলান অদু কায়হৌখি।

কপ অসিদা যুঠ কেটাগোরিগী কে জি ৪৮ গী কাংলুপ্তা ব্রোঞ্জ মেদল ফংলকখ্রবী সাই এস এ জিগী বোক্সর সাপম সিলা দেবী ৱাবগাই হিয়াংলম অৱাং লৈকাইদা লৈবা এস ইবোমচা সিংহ অমদি এস বিলাসিনি দেবীগী মচানুপীনি। হন্দক্কী অসিনা মহাক্কী ওইনা ইন্টরনেস্নেলগী থাক্তা পাঙথোকপা অহানবা চেম্পিয়নসিপ্তা শরুক য়াবা ওইরি। মণিপুরগী শান্নরোই নীংথৌজম জেরিনা দেবীসু হন্দক্কী কপ অসিদা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

# চিরু স্পোর্টিং ক্লবনা কপাখল মায়থীবা পীখ্রে

*ইম্ফাল, জনুৱারি ১৪ঃ* ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিয়েসননা শিন্দুনা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুল প্লে গ্রাউন্দদা ঙরাংদগী হৌদুনা চত্থরিবা ১০শুবা জিরি কপ ইনভাইতেসন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা চিরু স্পোর্টিং ক্লব কশার আসাম্না কপাখল যুঠ ক্লব কশারবু গোল ৭–১ দা চাওনা মায়থীবা পীখ্রে।

চিরু স্পোর্টিং ক্লবকী গোলশিং অদু রোমিওনা ৩০ অমদি ৫৯ শুবা মিনিটতা অনী, জাজিনলেন, ভানসাং, নেহেমিন, সান্সোক অমদি অব্রাহননা মথংশিৎনা ৩৯, ৫৬, ৮১, ৮৬ অমসুং ২১ শুবা মিনিটতা অমমম চনখিবনি। কপাখল যুঠ ক্লবকী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা মালস্বাম থলোংনা ৫ শুবা মিনিটতা চনখিবনি।

চিরু স্পোর্টিং ক্লবকী পারথাংলেন অমদি গোল্ড জুবেলিদা রেফরিনা ৬৭ অমসুং ৭০ শুবা মিনিটতা য়েল্লো কার্দ অমমম পীখি। হয়েং মার স্পোর্টিং এসোসিয়েসনগা ৭ শুবা আই আর বি এফ সিগা শান্নগনি।



## ৪ শুবা বারাক গেমস হৌখ্রে

*ইম্ফাল, জনুৱারি ১৪ঃ* চহী খুদিংগী লেপ্তনা বারাক ব্রদর্স য়ুনিয়ন জিরিবাম্না শিন্দুনা চত্থরকবা বারাক গেমসকী ৪ শুবা ইডিসন ঙরাংদগী হৌখ্রে। শান্ন–খোৎনবগী অচৌবা ইভেন্ট অমা ওইরিবা অসিগী ঙরাং অহৌবা নুমিৎতা শান্নখিবা ফুটবোল মশান্নগী অহানবা মেটচতা টুইসৌলেননা অনখাসৌবু গোল ৪–০ দা মায়থীবা পীখ্রে। অনীশুবা মেটচতা দোলাখল অমদি খাংবোরনা গোল অমত্তা চন্নদনা দ্রো ওইখি। ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতসু তুইসেন অমদি নেতাজি হায়স্কুলনা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদবদগী দ্রো ওইখি। অনীশুবা মেটচতা তুপিদোরনা ফাইলেনবু গোল ১–০ দা মায়থীবা পীখি। গেমস অসি ফুটবোল অমদি ক্রিকেট মশান্নদা অথোই অহেন তান্নবনি।

## লিজবোননা অহুমশুবা পোজিসন তাখ্রে

*ইম্ফাল, জনুৱারি ১৪ঃ* লিজবোন লুৱাংশঙবম্না এম রবিচন্দ্র মেমোরিয়েল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৩ গী অহুমশুবা পোজিসন তাখ্রে।

ক্যামগৈ আইদিয়েল হায়স্কুল গ্রাউন্দদা চত্থরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা পোজিসনগী মেটচতা লিজবোন লুৱাংশংবম্না একা ট্রেন কোংপালবু গোল ১–০ দা মায়থীবা পীখি। লিজবোনগী মায় পাকপগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু হেরোজিৎনা ৪৪ শুবা মিনিটতা চনখিবনি। টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেটচ হয়েং নুংথিলগী পুং ৩ তাবা মতমদা কে এফ সি কাঞ্চিপুরগা আর দি দি ৱাঙ্খেগা শান্নগনি। টুর্নামেন্ট লোয়শিনবগী থৌরমদা স্পিকর টি ঐচ লোকেশ্বর সিংহ, এম এল এ করাম শ্যাম, কৈরাও মক্তিংগী জিলা পরিষদ এম দি সলাম অমদি ক্যামগৈ গ্রাম পঞ্চায়েটকী প্রধান কে সুভাস সিংহনা মথংশিৎনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইগনি।

# চহী ৬৫গী হরদলদা ইবেম্পিশক্না গোল্ড লৌখ্রে

*ইম্ফাল, জনুৱারি ১৪ঃ* কৈশামথোং এলাংবম লৈকাই যুঠ ক্লবনা শিন্দুনা ঙরাংদগী খুমন লম্পাক মেইন ষ্টেদিয়মদা চত্থরকখিবা মাষ্টর এথলেটিক মিট ২০১৪ গী ঙসি অরোইবা নুমিৎতা পাঙথোকখিবা চহী ৬৫গী নুপীগী মিটর ৮০গী হরদল রেস্তা অথোকপম ইবেমপিশক দেবীনা ৩২ সেকেন্দদা চেন্দুনা গোল্ড লৌখ্রে। টি ঐচ সুবদনিনা ৩৪ সেকেন্দদা চেল্লগা সিলভর লৌখি। ইভেন্ট অসিমক্কী চহী ৫৫ গীদা কে ঐচ সন্ধ্যারানীনা ২২ সেকেন্দদা চেল্লগা গোল্ড, ৱাই মেমতোম্বীনা ৩২ সেকেন্দদা চেল্লগা সিলভর অমদি এল তম্পাকলৈনা ৩৫ সেকেন্দা চেল্লগা ব্রোঞ্জ লৌখ্রে।

নুপাগী চহী ৬০গী মিটর ১০০গী হরদলদা এস মোতিলাল সিংহনা ১৯ সেকেন্দদা চেল্লগা গোল্ড অমদি এ অজয়কুমার সিংহনা ১৯.৬ সেকেন্দদা চেল্লগা সিলভর লৌখ্রে।


চহী ৫৫গী নুপীগী মিটর ৮০ গী হরদলদা শরুক য়াখিবী এথলেটশিং।

চহী ৫৫ গীদা কে ঐচ ওকেন্দ্রজিৎ সিংহনা ১৯.৭ সেকেন্দদা চেল্লগা গোল্ড অমদি ও ইন্দ্রমনি সিংহনা ২৩ সেকেন্দদা চেল্লগা সিলভর লৌখি। হেমর থ্রোগী নুপীগী চহী ৪০ গী এস রোমিতা দেবীনা ১৫.৯৮ মিটর লংলগা গোল্ড অমদি এস রেবিকা দেবীনা ১৩.৭৪ মিটর লংলগা সিলভর লৌখি।

চহী ৪৫ গীদা এন সখি দেবীনা ১২.৯০ মিটর লংলগা গোল্ড অমসুং কে ঐচ সিলা দেবীনা ১২.৭০ মিটর লংলগা সিলভর লৌখি।

ট্রিপল জম্পকী নুপাগী চহী ৭৫ গীদা কে ইবোহল সিংহনা ৬.৭৫ মিটর চোংলগা গোল্ড অমসুং এল শ্যাম সিংহনা ৬.৫০ মিটর চোংলগা সিলভর লৌখি।

নুপাগী চহী ৫৫ গী সোটপুটতা ৱাই সনাতোম্বনা ৯.১৮ মিটর লংলগা গোল্ড অমসুং ৱাই নবচন্দ্রনা ৭.৮০ মিটর লংলগা সিলভর লৌখি। চহী ৭০ গীদা এন নবচন্দ্রনা ৯.৬৫ মিটর লংলগা গোল্ড, এস কোমনা ৯.৩৬ মিটর লংলগা সিলভর অমদি কে এস ঐচ বিরেননা ৮.৬৩ মিটর লংলগা ব্রোঞ্জ লৌখি। ইভেন্ট অসিমক্কী নুপীগী চহী ৪০, ৪৫, ৫০, ৫৫, ৬০, ৬৫, ৭০ অমদি ৮০ গীদা কে প্রেমিলা, এন শান্তি, এল দেবশ্রী, এন প্রেমা, টি ঐচ বিনোদিনি, এ তোম্বী, টি ঐচ কুঞ্জরানি অমসুং ঐচ বিনোদিনিনা গোল্ড লৌখ্রে। নুপীগী দিসকস থ্রোগী চহী ৪০, ৪৫, ৫০, ৫৫, ৬০, ৬৫, ৭০ অমদি ৮৫ গীদা মথংশিৎনা এস রোমিতা, ৱাই ইনাওবী দেবী, এল নিলপদমা, টি ঐচ লতা দেবী, এস ইবেতোম্বী, এ সুমতি, টি ঐচ কুঞ্জরানি অমসুং টি ঐচ হরিমতি দেবীনা গোল্ড লৌখি।

## দেবলা ক্রিকেট

*ইম্ফাল, জনুৱারি ১৪ঃ* বাসু গ্রাউন্দ খাঙবোক্তা চত্থরিবা ১৭ শুবা ষ্টেট লেভেল ওপন দেবলা মেমোরিয়েল ট্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা এস ৱাই সি খাঙবোক্না আর যু সি খাঙবোকপু ৱিকেট ৬ তা মায়থীবা পীখ্রে। মেন ওফ দি মেটচনা এস ৱাই সিগী প্রিয়াকান্তনা তাখি। অনীশুবা শান্নখিবা মেটচতনা বাসু এলভেন খাঙবোক্না ই টি এল থোংজুবু ৱিকেট ৩ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেন ওফ দি মেটচনা বাসুগী হেমন্তনা তাখি।

## ৱাই পি ও অমদি এস দব্লিউ সি সেমি চঙখ্রে

*ইম্ফাল, জনুৱারি ১৪ঃ* সেনা এথলেট ওর্গনাইজেসন ককচিং ৱাইরিনা শিন্দুনা ওর্গনাইজেসন অসিগী গ্রাউন্দদা চত্থরিবা ১৫ শুবা সেনা কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিংদা ৱাই পি ও সোরা অমদি এস দব্লিউ সি ৱাইখোং মায় পাক্লগা সেমি চঙখ্রে।

ঙসিগী অহানবদা শান্নখিবা অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ৱাই পি ও সোরানা সাউ ককচিংবু গোল ৩–১ দা মায়থীবা পীখি। ৱাই পি ওগী গোলশিং অদু অলি খানা ২ অমসুং অনুসনা ১ চনখিবনি। সাউগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা সনাথোইনা চনখিবনি। অনীশুবদা শান্নখিবা অরোইবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা এস দব্লিউ সি ৱাইখোংনা এ ভি ও ককচিংবু টাই ব্রেক্তা ৫–৩ দা মায়থীবা পীখি। টিম অনীমক্না অপীবা মতমগী মনুংদা গোল অমমম চন্নদুনা লৈনখি। নোর্মেল টাইমগী এস দব্লিউ সিগী গোল অদু সিতলজিৎনা অদুগা এ ভি ওগী গোল অদুনা বোনিসননা চনখিবনি।










Published by W. Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd, Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hajari Leikai Imphal, Editor in charge: **H. Achouba Sharma,** RNI Registration No. 31350/ 77;
Tel # 2459064, 2441490 *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com,*